## এম ইবোবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭

# কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রি ইরিল মপালনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রিগাওগী অবা গ্রাউন্দদা চথরিবা এম ইবোবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ৱিন্নর কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রি ইরিল মপালনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিল্লকপদা লৈখিবা পোইন্ট টেল্লিগী মতুং ইন্না কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রি ইরিল মপালনা পূন্না পোইন্ট ১৯ ফংদুনা এম ইবোবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রি ইরিল মপালনা পূন্না মেচ ৭ শান্নবগী মনুংদা ৬ মায় পাকখি। অদুগা মেচ অমনা দ্রো চৎখি। এন ঈ এস য়ুনা পূন্না মেচ ৭ শান্নবগী মনুংদা মেচ ৪ মায় পাকখি। অদুগা মেচ অনীনা দ্রো অমসুং মেচ অমনা মায়থীরগা এন ঈ এস য়ু (নেসু) খুরাইনা পূন্না পোইন্ট ১৪ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অংথা এফ সীনা পূন্না মেচ ৭ শান্নবগী মনুংদা ৪ মায় পাকখি। মেচ অমনা দ্রো চৎখি অদুগা অতোপ্পা মেচ অনী অমনা মায়থীদুনা অংথা এফ সীনা পূন্না পোইন্ট ১৩ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। এ বি এ (অবা) ক্ষেত্রিগাওনা পূন্না মেচ ৭ শান্নবগী মনুংদা মেচ ৩ মায় পাকখি। মেচ অনীনা দ্রো চৎখি। অদুগা মেচ অনীনা মায়থীখি। অবানা পূন্না পোইন্ট ১১ ফংদুনা মরিশুবা পোজিসন তাখি। ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা মেচ ৭ শান্নবগী মনুংদা মেচ ৩ মায় পাকখি। মেচ ৩ না মায়থীখি। অদুগা মেচ অমনা দ্রো চৎখি। ঈ এস য়ুনা পূন্না পোইন্ট ১০ ফংদুনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি। পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপম্না পূন্না মেচ ৭ শান্নবগী মনুংদা মেচ ২ মায় পাকখি। মেচ ৩ না দ্রো চৎখি। অদুগা মেচ ২ না মায়থীখি। টুর্নামেন্ট অসিদা পি আর ৱাই এনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা ৬শুবা পোজিসন তাখি। ষ্টার ক্লবনা পোইন্ট ৩ খক ফংদুনা ৭শুবা অমসুং এস দব্লিয়ু সীনা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদনা ৮শুবা পোজিসন তাখি।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮ না শরুক য়ারগা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবদগী পি আর ৱাই এ অমসুং কে আই ৱাই সী শান্নখি। মেচ হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৪৯শুবা মিনিটতা পি আর ৱাই এগী জর্সি নম্বর ১০ ষ্টৌনসন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৬৪শুবা মিনিটতা কে আই ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১০ মুশাখান্না গোল অদু হন্দোক্লুনা মেচ অদু গোল ১-১ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং মেচকী ৭৬শুবা মিনিটতা কে আই ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৩ মহোতিং কাসুংনা গোল অমা অমুক চন্দুনা মেচ অদু কে আই ৱাই সীনা গোল ২-১ দা মাঙজিল থাহনখি। কে আই ৱাই সীনা অনীশুবা গোল অদু হেক চনশিল্লকখিবগী থংনবা মিনিট হায়বদি মেচকী ৭৮শুবা মিনিটতা পি আর ৱাই এগী জর্সি নম্বর ২৪ আর কে আর্জুন্না গোল অদু হন্দোক্লুনা মেচ অদু গোল ২-২ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবা টিম অনীমক্না মখা তানা গোল চন্নবা ঙম্ন খিদে। টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী পি আর ৱাই এ অমসুং কে আই ৱাই সীনা শান্নখিবা মেচ অদু গোল ২-২ দা দ্রো চৎখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

| Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Points |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| KIYC | 7 | 6 | 1 | 0 | 19 | 3 | +16 | 19 |
| NESU | 7 | 4 | 2 | 1 | 24 | 7 | +17 | 14 |
| ANGTHA FC | 7 | 4 | 1 | 2 | 15 | 5 | +10 | 13 |
| ABA | 7 | 3 | 2 | 2 | 9 | 6 | +3 | 11 |
| ESU | 7 | 3 | 1 | 3 | 16 | 8 | +8 | 10 |
| PRYA | 7 | 2 | 3 | 2 | 12 | 20 | -8 | 9 |
| STAR CLUB | 7 | 1 | 0 | 6 | 3 | 28 | -25 | 3 |
| SWC | 7 | 0 | 0 | 7 | 3 | 24 | -21 | 0 |

## ৫৮শুবা সুব্রোটো কপ অন্দর-১৪ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭

# সাইনিক স্কুল ইম্ফাল ঝরখণ্ডগী মখূৎতা মায়থীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ : দেল্লিদা ওগষ্ট ২২ দগী হৌদুনা চথরিবা ৫৮শুবা সুব্রোটো কপ অন্দর-১৪ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাইনিক স্কুল ইম্ফাল ঝরখণ্ডগী মখূৎতা মায়থীখ্রে।

ডাক্তর অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা ঙসিগী অহানবা মেচ ওইনা ঝরখণ্ডগী সেন্ট ইগনাটিয়স হায় স্কুল অমসুং মণিপুরগী সাইনিক স্কুল ইম্ফাল শান্নখি। মেচ অদুদা ঝরখণ্ডগী সেন্ট ইগনাটিয়স হায় স্কুলনা সাইনিক স্কুল ইম্ফালবু গোল ৫-৩ দা মায়থীবা পীরমখিবনি। মেচ অদু হেক হৌবগী ৬শুবা মিনিটতা সাইনিক স্কুল ইম্ফালনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। অদুবু মেচ লোইবদদি ঝরখণ্ডনা মায় পাকখি।



ঝরখণ্ডনা চনখিবা গোল মঙা অদু মেচকী ৮শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১২ অমরজিৎ ওরাম্না গোল অমা, জর্সি নম্বর ৬ হরসিদ বরানা মেচকী ১২ অমসুং ২৩শুবা মিনিটতা গোল অনী, মেচকী ৪০শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১১ সুসিল জেরাইনা গোল অমা অমসুং জর্সি নম্বর ৭ সন্তোস পুজানা মেচকী ৪৩শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি। অদুগা সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী গোল অহুম অদুনা জর্সি নম্বর ৯ সিদার্থ নোংমৈকাপম্না মেচকী ৬শুবা মিনিটতা গোল অমা অমসুং জর্সি নম্বর ১৯ খুন্দ্রাকপম সুরজনা মেচকী ১৭ অমসুং ২৮শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা গোৱাগী হোলিস্পিরিট ইনষ্টিট্যুট মার্গোনা ন্যু দেল্লিগী এয়রফোর্স বাল ভারতি স্কুলবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচতনা মিজোরামগী গভর্ণমেন্ট চৌনেফিয়াঙ্গা মিদল স্কুলনা মধ্য প্রদেশকী দ চিমরাল হাইটস ইন্টরনেসনল স্কুলবু গোল ২১-০ দা য়াম্না চাউনা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা মেচতা আর্মি বোইজ স্পোর্টস কম্পেনিনা পঞ্জাবকী মিনরভা পব্লিক স্কুলবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা মেচতনা আফগানিষ্টানগী অষ্টুকলাল কাবুলনা আসামগী মহারানি হায়স্কুলবু গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। তরুকশুবা মেচতনা বংলাদেশকী বি কে এস পি রিরানি সাভর ধাকানা সিক্কিমগী স্পোর্টস হোষ্টেল নামচি সাউথপু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। তরেৎশুবা মেচতা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া কোলকটানা মুম্বাইগী রিলাইন্স ফাউন্দেসন স্কুলবু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি। নিপানশুবা মেচতনা লক্ষদিপকী গভর্ণমেন্ট মহাত্মা গান্ধি অনজোটনা দামন এন্দ দ্যুগী গভর্ণমেন্ট প্রাইমারি স্কুলবু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখি হায়রি।

# টি ঐচ হেরা সিংহ মেন'স ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট হৌখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিল্লগা তোঙান তোঙানবা টিম ৬না শরুক য়াদুনা চথগদবা অনীশুবা টি ঐচ হেরা সিংহ মেন'স ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ঙসিদগী জিরিবামগী কালিমাই মান্দবতা হৌখ্রে। অহানবা মেচ এম আই টি এল জিরিবাম্না মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি এম আই টি এল জিরিবাম অমসুং এল ঈ সী বাবুপড়া শান্নখি। টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী মেচ অদু এল ঈ সীনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা এম আই টি এলনা মায়কৈ খনখি। মেচকী অপীবা মতমদা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা কাং কাপ্লখি। মেচ লোইরকপদা এম আই টি এল জিরিবাম্না এল ঈ সী বাবুপড়াবু পাঞ্জল ১৫-৬ তা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা টি ঐচ বসন্তনা জজ অমসুং ও মঙ্গি মীতৈনা স্কোরর ওইখি।

অনীশুবা টি ঐচ হেরা সিংহ মেন'স ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিনিসপাল এল রঞ্জিৎকুমার, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্তা অমসুং টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লিবা অসিগী দোনর টি ঐচ হেরানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## চান্দেল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭

# য়ুনাইটেদ লমকাং ফুটবোল ক্লব অমসুং শিরটি ফুটবোল ক্লব মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) চান্দেলনা শিন্দুনা মহা য়ুনিয়ন হায়র সেকেন্দরি প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭-১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা য়ুনাইটেদ লমকাং ফুটবোল ক্লব (য়ু এল এফ সী) অমসুং শিরটি ফুটবোল ক্লব (এস এফ সী) মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮ না শরুক য়ারগা হৌখিবা ওগষ্ট ২১ দগী চথরকখিবা সুপর দিভিজন লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী য়ুনাইটেদ লমকাং ফুটবোল ক্লব (য়ু এল এফ সী) অমসুং নাহরিনখু য়ুথ ক্লব (ঐচ ৱাই সী) গা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবগী অনীশুবা মিনিটতা য়ুনাইটেদ লমকাং ফুটবোল ক্লবকী জর্সি নম্বর ১৩ থাঙ্খমপাও হাওকিপনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু হন্দোক্ননবগীদমক নাহরিনখু য়ুথ ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু নাহরিনখু য়ুথ ক্লবনা হন্দোকপা ঙমদবদগী য়ুনাইটেদ লমকাং ফুটবোল ক্লবনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা নাহরিনখু য়ুথ ক্লবকী মায়কৈদগী গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না শান্নরকখি। গোল হন্দোক্লবা চথরকখিবা এটেকশিং অদু য়ুনাইটেদ লমকাং ফুটবোল ক্লবনা অঙন্বা থাক্তা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা য়ুনাইটেদ লমকাং ফুটবোল ক্লবনা য়াম্না ফজনা শান্নদুনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমহনখিদে। মেচ অদু য়ুনাইটেদ লমকাং ফুটবোল ক্লবনা ঙাহরিনখু য়ুথ ক্লবপু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৫০ চৎপদগী শিরটি ফুটবোল ক্লব (এস এফ সী) অমসুং লিৱা সরাই য়ুথ ক্লব (এল এস ৱাই সী) শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচকী অরোইবা পুংজাদা শিরটি ফুটবোল ক্লবনা লিৱা সরাই য়ুথ ক্লবপু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখি।

শিরটি ফুটবোল ক্লবকী মায় পাকপগী গোল মরি অদু জর্সি নম্বর ২০ এস ঐচ অলফ্রেদনা মেচকী ২৪শুবা মিনিটতা গোল অমা অমসুং জর্সি নম্বর ৭ লেনপাজৌনা মেচকী ৪৪শুবা, ৪৮শুবা অমসুং ৭২শুবা মিনিটতা গোল অহুম চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১.৪০ তাবা মতমদা লম্খুং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (এল ৱাই সী সী) অমসুং রিভরলেন য়ুথ ক্লব (আর ৱাই সী) শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদনা লিৱা চংনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (এল ৱাই সী সী) অমসুং কাপম দিভলপমেন্ট ক্লব (কে দি সী) শান্নগনি হায়রি।

### শান্নফম হোংদোক্লুনা রিভাইস ফিক্সচর থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা কে ৱাই সী নোর্থ খুরখুলগী গ্রাউন্দদা চথরম্বা ৭শুবা কে কর্ণজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী মেচ শান্নফম হোংদোক্লুনা রিভাইস ফিক্সচর থোকখ্রে।

তরেৎশুবা কে কর্ণজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী টুর্নামেন্ট কম্মিটিগী কনভেনর কে ইবোতোম্বী মীতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না টুর্নামেন্ট অসি মখা তানা লাক্লিবা ওগষ্ট ২৯ দগী লোইতাংখুনৌ স্পিনিং মিলগী গ্রাউন্দদা চথরগনি। তোঙান তোঙানবা টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী রিভাইস ফিক্সচরগী মতুং ইন্না লাক্লিবা ওগষ্ট ২৯গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা কে এস সী লম্বুলেন্দ অমসুং এম টি এস য়ু মালোম শান্নগনি। নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবদনা এম এস সী মালোম অমসুং এস আই সী ও লৌরেম্বম লৈকায় শান্নগনি। ওগষ্ট ৩১গী নুংথিল পুং ১দনা য়ু পি সী পিশুম ওইনাম লৈকায় অমসুং আই দব্লিয়ু এস সী খুম্বোং শান্নগনি। নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবদনা পি এ এম ৱাই এ এল (পময়াল) পাৎশোই অমসুং এস আই সী ও (সিকো) লৌরেম্বম লৈকায় শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসি ওগষ্ট ২৯ দগী মখা তানা চথনবগীদমক মেচ শান্নগদবা মফম, মতমদা অহোংবা লৈরে। মেচ শান্নগদবা টিমশিংনা অনৌবা মফম অসিদা লাক্লগা মেচ হৌগদবা পুং ১ ৱাৎলিঙৈদা রিপোর্ট তৌরনবা কম্মিটিগী চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# এম য়ু ইন্টর কোলেজ বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ : মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু) স্পোর্টস কম্মিটিগী মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস কম্মিটিনা শিন্দুনা ঙসিদগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসতা ইন্টর কোলেজ মেন'স এন্দ ৱিমেন'স বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ হৌখ্রে।

নুপাগীদনা পূন্না টিম ৮ অমসুং নুপীগীদনা পূন্না টিম ৫ না শরুক য়াদুনা এম য়ুগী কেম্পসতা ইন্টর কোলেজ মেন'স এন্দ ৱিমেন'স বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট অদু ঙসি হৌদোকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা দোনবোস্কো মরাম অমসুং দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স শান্নখি। মেচ অদুদা দোনবোস্কো মরাম্না দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সপু পোইন্ট ২৬-৬ তা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতনা দি এম কোলেজ ওফ আর্টস অমসুং বিরমঙ্গল কোলেজ (বি এম সী) শান্নখি। মেচ অদুদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসনা বিরমঙ্গল কোলেজবু পোইন্ট ১৮-৭ তা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা মেচতনা কমখ্যা পেমতোন কোলেজ (কে পি সী) হিয়াংথাং অমসুং লিবরেল কোলেজ লুৱাংশংবম শান্নখি। মেচ অদুদা কমখ্যা পেমতোন কোলেজনা লিবরেল কোলেজবু পোইন্ট ৩১-১১ দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা মেচতনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ক্লাসেস (এম য়ু সী) অমসুং ৱাই কে কোলেজ (ৱাই কে সী) ৱাংজিং শান্নখি। মেচ অদুদনা এম য়ু ক্লাসেসনা ৱাই কে কোলেজবু পোইন্ট ১৭-৯ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী অহানবা মেচতনা জি পি ৱিমেন'স কোলেজ (জি পী দব্লিয়ু সী অমসুং দি এম কোলেজ ওফ আর্টস শান্নখি। মেচ অদুদা জি পি ৱিমেন কোলেজনা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসবু পোইন্ট ১২-৬ তা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতনা দি এম কোলজ ওফ সাইন্স অমসুং এম য়ু ক্লাসেস (এম য়ু সী) শান্নখি। মেচ অদুদনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সনা এম য়ু ক্লাসেসপু পোইন্ট ২৬-৮ দা মায়থীবা পীখি হায়রি।

# ডা. কে ঐচ রতনকুমার, এস ইন্দ্রকুমার অমসুং এ সচিনকুমার অমুক হন্না খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ : মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী মথংগী টার্মগী ওইনা কুমজা ২০১৭কী ওগষ্ট ২৭ তগী কুমজা ২০২১গী ওগষ্ট ফাওবা চহী ৪ চুপ্পা থৌ পুনবগীদমক ডা. কে ঐচ রতনকুমার, এস ইন্দ্রকুমার অমসুং এ সচিনকুমারবু মথংশিংনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমসুং ত্রেজরর ওইনা অমুক হন্না খনখ্রে হায়রি।

মণিপুর জুদো এসোসিএসন (এম জে এ) গী সেক্রেটরি এস ইন্দ্রকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বাবুপড়াদা লৈবা ডা. কে ঐচ রতনকুমারগী য়ুমদা মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী এন্যুয়েল জেনরেল বোদি মীফম অমা হৌখিবা ওগষ্ট ২৭ কী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা ফমদুনা ইলেক্সন এজেন্দাগী মতাংদা খন্নখি।

এসোসিএসন অসিগী এন্যুয়েল জেনরেল বোদি মীফম অদুদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর (কোচিং) টি থৌবা অমসুং মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ) গী জোইন্ট সেক্রেটরি টি দুসন্তা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা টি থৌবনা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ওবজার্ভর ওইনা অমসুং টি দুসন্তনা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসনগী ওবজার্ভর ওইনা শরুক য়াখিবনি।

এসোসিএসন অসিগী এন্যুয়েল জেনরেল বোদি মীফম অদুনা মথংগী টার্মগীদমক কুমজা ২০১৭ কী ওগষ্ট ২৭ তগী হৌরগা লাক্কদবা চহী ৪ থৌ পুনবগীদমক ডা. কে ঐচ রতনকুমারবু এম জে এগী প্রসিদেন্ট, এস ইন্দ্রকুমারবু এম জে এগী সেক্রেটরি অমসুং এ সচিনকুমারবু এম জে এগী ত্রেজরর ওইনা অমুক হন্না খনখিবনি।

এম জে এগী নৌনা থৌ পুনবগীদমক অমুক হন্না খল্লবা মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী ওফিস বিয়ররশিং অসিনা কুমজা ২০২১ গী ওগষ্ট থা ফাওবা থৌ পুগনি হায়নসু মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস ইন্দ্রকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# মরিশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী শান্নখিবা মেচ অনীমক দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা মরিশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচ অনীমক দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৩ না শরুক য়ারগা চথরিবা মরিশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭কী ২৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৮ তাবদগী য়ু কে সী সী এল ওইনাম অমসুং এ এম ও এফ এ (অমোফা) মোইরাং শান্নখি। মেচ হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচকী ১৬শুবা মেচতা য়ু কে সী সী এলগী জর্সি নম্বর ২ ও প্রিয়োনন্দনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু হন্দোক্লনবা অমোফাগী মায়কৈদগী কন্না শান্নরকখি। অদুমকপু মেচকী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু অমোফানা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং অমোফানা গোল অদু হন্দোক্লবা অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ৩২শুবা মিনিটতা অমোফাগী জর্সি নম্বর ১৪ এন জি উমাকান্তনা গোল অদু হন্দোক্লুনা মেচ অদু গোল ১-১ ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী য়ু কে সী সী এল অমসুং অমোফা গোল ১-১ দা দ্রো চৎখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ২৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী এল এফ সী ঙাইখোং খুনৌ অমসুং ৱাই দব্লিয়ু ও বিষ্ণুপুর শান্নখি। অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। ৱাই দব্লিয়ু ও অমসুং এল এফ সীনা শান্নখিবা মেচ অদু গোল ০-০ দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা এ কে এস এ ক্বাক্তা অমসুং সী আর ঈ এস এ (ক্রেসা) বিষ্ণুপুর শান্নগনি হায়রি।

## ১২শুবা এন বলানন্দা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭

# এলেভেন ষ্টারনা কে ৱাই সী মায়থীবা পীখ্রে

বিষ্ণুপুর, ওগষ্ট ২৮ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা তোঙান তোঙানবা টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২শুবা এন বলানন্দা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এলেভেন ষ্টার চরাপাৎনা কে ৱাই সী থানিল খুলবু গোল ৫-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী কে ৱাই সী থানিল খুল অমসুং এলেভেন ষ্টার চরাংপাৎ শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপদগী টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচকী ১৩শুবা মিনিটতা এলেভেন ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১২ দি কে লুংসেটনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। অদুবু গোল অদু চল্লকখিবা মিনিট ৪ খক কান্নরগা কে ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৯ দব্লিয়ু গ্লেটসন্না মেচকী ১৭শুবা মিনিটতা গোল অদু হন্দোক্লুনা মেচ অদু গোল ১-১ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। টিম অনীমক্না মেচ অদু অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচকী ২৩শুবা মিনিটতা বি কে লুংসেটনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম এলেভেন ষ্টারনা গোল ২-১ দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ২৫শুবা মিনিট অমসুং ২৭শুবা মিনিটতা এলেভেন ষ্টারগী জর্সি নম্বর ৩ সনা হেমাম্না গোল অনী অমসু থংনা থংননা চনশিল্লকখি। এলেভেন ষ্টারগী মায়কৈদগী মথং মথং গোল চনশিল্লকখিবা অদুদা কে ৱাই সীগী শান্নরোয়শিং তৌফম খঙখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এলেভেন ষ্টারনা গোল ৪-১ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।



অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৪১শুবা মিনিটতা সনা হেমাম্না গোল অমগা অমুক চন্দুনা মেচ অদু এলেভেন ষ্টারনা গোল ৫-১ দা মাঙজিল থাখি। গোল অদু হন্দোক্ননবগীদমক কে ৱাই সীনা কন্না হোৎনখি। মেচকী ৪৭শুবা মিনিটতা এলেভেন ষ্টারগী জমিরনা ওন গোল অমা চনবদগী কে ৱাই সী অমসুং এলেভেন ষ্টার গোল ২-৫ দা লৈখি। অতোপ্পা গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা মেচ লোইরমদাই ফাওবা কন্না হোৎনখি। অদুবু মখা তাবা গোল হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু এলেভেন ষ্টারনা গোল ৫-২ দা মায় পাকখি। মেচ অদুদা এলেভেন ষ্টারগী বোয় মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা এম পি আই আই ৱাই এ মোইরাং অমসুং কে ৱাই দব্লিয়ু এ খুমন শান্নগনি হায়রি।

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com